## মালেমগী অঙকপশিং

# শ্রী লঙ্কাগী সিগিরিয়া ফোর্ত্রেস

শ্রী লঙ্কাগী নোর্থ সেন্ত্রেল প্রোভিন্সতা নিংথৌ কাস্যাপনা মঙাশুবা চহী চাদা শারম্বনি হায়বা সিগিরিয়া ফোর্ত্রেসপু লায়ন্স রোক হায়নসু খঙনরি। কুমজা ১৯৮২দা য়ুনাইটেদ নেসন্স এদ্যুকেসনেল সাইন্টিফিক এন্দ কলচরেল ওর্গনাইজেসন (য়ুনেস্কো) না ৱর্ল্ড হেরিটেজ সাইটকী ওইনা লাউথোকখ্রবা মফম অসি হৌজিক্তি উমংগী উ-ৱাশিংনা কুপশিনখিবদগী উবা ফংদ্রে।

বৃটিশ হিষ্টোরিয়নশিংনা ১৯শুবা চহী চাদা থিজিন-হুমজিনবগী থবক চত্থবদা সিগিরিয়া ফোর্ত্রেস নৌনা অমুক থেংনরকখি। খৃষ্টগী মতুং কুমজা ৪৯৫দা সিনহারি কিংদমগী কোনুং ওইনা শীজিন্নরম্বা ফোর্ত্রেস অসি সিনহারি মশেল নিংথৌ খুভম মুন্নবদা লান তোয়না শোক্লবদগী অমাঙ-অতা থোকখি।

বৃটিশ সিভিল সার্ভেন্ট জোর্জ টর্নোরনা বুধিষ্ট মঙ্ক অমগা লোয়ননা মহাবমসা কৌবা মঙাশুবা চহী চা মতমগী ক্রোনিকল অমা শ্রী লঙ্কাগী পালি লোলদগী ইংলিস লোলদা হন্দোক্লবা হোৎনখি। থৌরাং অসি লৌখৎপা মতমদা সিনহালি অসিগী অনুরাধাপুর অমসুং পোলোনারুৱা কৌবা কোনুং অনী লৈরম্মী হায়বা খঙবা ঙমখি।

অকোনবদা টর্নোরনা কুলাবমসা কৌবা শ্রী লঙ্কাগী ক্রোনিকল অমা নৈনবা মতমদা নিংথৌ কাস্যাপকী মরমদা ময়েক শেংনা খঙবা ঙমখি। মঙাশুবা চহী চা লোইশিল্লকপদা কাস্যাপনা মতমদুদা নিংথৌ ওইখিবা অপোকপা মপা ধাতুসেনা হাৎলগা নিংথৌ খুভম মুনখি। য়েক্লবনা লন্দারকপা ঙমদনবা



মহাক্লা সিগিরিয়া ফোর্ত্রেস শাখি।

হৌজিক্তি ফোর্ত্রেস অসি মপূং ফানা অমাঙ-অতা থোক্লবসু মফম অসিদা তোঙান তোঙানবা লৈবাক্তগী লম কোয়বা মীওই কয়া লাক্লরি। ৱর্ল্ড হেরিটেজ সাইট ওইনা লাউথোকখ্রবা মফম অসি শ্রী লঙ্কন গভর্ণমেন্টনা টুরিষ্টশিংগী মরুওইবা লমথুংফম অমা ওইহন্নবা থৌরাং কয়া লৌখৎলক্লি।

## কমদৌনা ওইরকখিবগে ? মায় পাকখ্রবা মীওইশিং... - দিট্রিক্ বোনহোফ্র -

দিট্রিক বোনহোফর (ফেব্রুৱারী ৪, ১৯০৬- এপ্রিল ৯, ১৯৪৫) অসি হিটলর অমসুং নাজিজমগী মায়োক্তা হৌখিবা ঈহৌদা এক্টিভ ওইনা শরুক য়াখিবা প্রোটেষ্টান লুথরন পাষ্টর, থিওলোজিয়ন অমনি। নাজি বেজিমগী মায়োক্তা খোঙফম চেৎনা লেপখিবদুনা মরম ওইদুনা বোনহোফরবু অনীশুবা লাঞ্জাওগী অরোইবা থা মনুংদা জর্মন ওথোরিটিশিংনা ফারগা ফ্লোসিয়ন কোন্সনত্রেসন কেম্পতা হাৎখি। মহাক হিটলরগী মায়োক্তা লেপখিবা মরুওইবা মীশক অমা ওইনা লৌনরি। ক্রিষ্ট্যানিটিগী মতাংদা লৈরিবা মহাক্কী ৱাখল্লোনশিংনা লাইনিং লম্বী অসিদা ইথিল চাউনা পীদুনা লাক্লি।



বোনহোফর কুমজা ১৯০৬ তা জর্মনিগী ব্রেসলোদা পোকখি। মহাক্কী ইমুং লাইনিং-লাইশোনগী লম্বীদা অচেৎপা থাজবা লৈখিদ্রবসু ঈশৈ-নোংমাই অমসুং আর্টিষ্টিক লাইনদা খরা থৱায় য়াওজখি। অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা বোনহোফরদা ম্যুজিক টেলেন্ট লৈবা উখি। ম্যুজিক হায়বসি মহাক্কা পুন্সি চুপ্পা থাদোকখিদে। মশাগী চহী ১৪ শুবদা মহাক্লা থীওলোজিদা ট্রেনিং তৌরগা প্রিষ্ট অমা ওইবা পাম্মী হায়দোরকপদা মহাক্কী ইমুংনা ঙক্লখি। কুমজা ১৯২৭ তা মহাক বর্লিন য়ুনিভর্সিটিদগী গ্রেজ্যুএসন ফংখি। কম্যুনিয়ন ওফ সেন্টস হায়বা মহাক্কী মমিং চৎখিবা থেসিসতা মহাক দোক্টরেট ফংখি। গ্রেজুএসন লোইরবা মতুংদা মহাক স্পেসল অমসুং অমেরিকানা মতম খরা লেন্দুনা পুন্সিগী থৌদোক ৱাথোক কয়াগী মতাংদা মহাক্কী ওইবা মীৎয়েংশিং শাগৎনবগী তাঞ্জা ফংখি। চর্চনা সোসল জষ্টিসতা চেন্নরকপগী থৌওংশিং মহাক্লা পূক্লিং থৌগৎখি। নৈহৎপীরবী কয়াবু ঙাক শেনবীবা হায়বসি চর্চকী নাম্থোকপা য়াদ্রবা থৌওংনি হায়না মহাক্লা খল্লকখি। মহাক্লা পাক-শন্না চৎথোক-চৎশিন তৌরকপগা লোয়ননা অতৈ চর্চশিংগী থৌরম কয়াদসু মহাক চেন্নরকখি।

কুমজা ১৯৩১ দা মহাক বর্লিনদা হল্লকখি অমসুং প্রিষ্ট অমা ওইখি। মতমদুদা মহাক্কী চহী ২৫ শুখি। কুমজা ১৯৩০ গী মতুং চহী খরা অদুদা জর্মনদা পোলিটিকেল অচৌবা ঈরাং লাকখি। ৱেমব রিপব্লিকতা তং-তাদবগী ফীভম লাকপা অমসুং গ্রেট দিপ্রেসন লাকপদগী পাক্তক্লনা থবক ফংনদবগী অচৌবা প্রোব্লেম লাকখিবগা লোয়ননা কুমজা ১৯৩৩ দা হিটলরনা মীখলদা মায় পাকখি। হিটলরনা মায় পাক্লিবদু জর্মন মীয়াম্না পাক্তক্লনা তরাম্না ওক্লবসু বোনহোফরগী ওইনদি হিটলরগী ফিলোসোফিগী মায়োক্তা চেৎনা লেপখি। হিটলরনা কুমজা ১৯৩৩ গী জন্যুৱারীদা চান্সেল্লরগী ফম পায়বা হৌখিবা মতুং নুমীৎ নীনি লৈরগা বোনহোফরনা রেদিওদা ৱা ঙাংবদা হিটলরবু কন্না চৈ থাংখি। মরুওইনা মহাক্লা হিটলরবু লাইগুম্না নিংনরকপগী থৌওংবু কন্না য়ানিংদবা উৎখি। মহাক্কী রেদিও ব্রোদকাষ্ট অদু লোইদ্রিঙৈদা লেপহনখি। জ্যুশিংবু তাথি-তাওইনা তৌবগী থৌওংশিং বোনহোফরনা কুমজা ১৯৩৩ গী এপ্রিলদা কন্না য়ানিংদবা উৎখি অমসুং অসিগুম্বা মখলগী পোলিসী অসিগী মায়োক্তা চর্চনা করিগুম্বা খরা তৌফম থোকই হায়না মহাক্লা কন্না য়েৎখি। লিশাং শিৎনা হিটলর অমসুং নাজিজমগী মায়োক্তা লেপ্পকখিবা মতুংদা মহাকপু নাজিশিংনা ফারগা মিলিটরি জেল অমদা থমখি। মমৈদা মহাক কোন্সনত্রেসন কেম্পতা থল্লগা হাৎখি।

## ব্যুটি : খোঙগী মনম নমথিবা য়াম্না লায়না য়ূমদা ফংবা পোৎশকশিংনা কোকহনবা য়াই



মীওই খুদিংগী হকচাংগী ষ্ট্রকচর খেনবগুম মীওই খুদিংগী হুমাং থোকপগী চাংসু খেৎনৈ। শম্না হায়রবদা কনাগুম্বা মীওই খরগী খোঙদা হুমাং কা হেন্না থোকপনা খোঙগী মনম নমথীবগী প্রোব্লেম থোকহল্লি। খোঙগী হুমাং কা হেন্না থোকপনা খোঙ মনম নমথীবগী চাউরবা মরম অমনি। খোঙগী উনশাদা য়াওজবা বেক্টিরিয়া অদুগা খোঙদগী থোক্লক্লিবা হুমাংগা থেংনরকপা মতমদা খোঙগী মনম নমথীবা ওইহল্লকই। মরম অদুনা কনাগুম্বা খরদি মীয়াম তিন্নরকপদা খোঙগী মনম কা হেন্না নমথীবনা ইকায়বা নংবা ফাওবদা য়াওদবা নত্তে। লোয়ননা খোঙ মনম নমথীবা মীশক অদুগী মনাক নক্লা লৈবা মীওইশিংদসু মনম অদুনা অকায়বা কয়া অমসু থোকহন্দবা নত্তে। অদুবু করিগুম্বা ইচম চম্বা য়ূমদা ফংবা পোৎশক খর শিজিন্নরবদি খোঙগী নমথীবা মনম অদু কোক্তুনা মীয়াম মাংদা ইকায়বা নংলিবা অদু ইরাই লায়না কোকহনবা ঙমগনি অমদি মীয়ামদসু অকায়বা পীবা হায়বদু ওইরোই।

খোঙগী মনম নমথীবা কোকহনগে হায়রবদি ইচম-চম্বা উপাইশিং অসি শিজিন্নবা য়াই -

**চান্নববা শীজিন্নরিবা শীংগী মহী :**

য়ূমদা য়াম্না লায়না ফংবা চান্নবা শীজিন্নরিবা শীংগী মহী খরা লৌদুনা ঈশিংদা য়ানশিন্দুনা খোঙ ফজনা চামথোক্লবদি খোঙগী নমথীবা মনম অদুদগী কোকপা ঙমগনি। নত্রগা অচম্বা ঈশিংনা খোঙ ফজনা হামদোক্লবা তুং শীংগী মহী খরা লৌরগা খোঙদা তৈরবা তুং মিনিট খরা লৈরবা মতুং লুম্বু-লুম্বু শাবা ঈশিংনা খোঙ অমুক হামদোক্লবদি খোঙগী নমথীবা মনম অদুদগী কোকপা ঙমগনি।

**বেকিং সোদা :**

সোদিয়ম কার্বোনেট হায়বসি ঐখোয়না ইচম চম্বা ৱাহৈদা বেকিং সোদা হায়রগসু খঙনৈ। খোঙদগী থোক্লকপা মনম নমথীবা কোহন্নবগীদমক য়াম্না ফবা অমদি য়াম্না লায়বা উপাই অমনি। বেকিং সোদানা হুমাংগী পী ঐচ লেভেলবু চাং অমদা থম্বা ঙম্মী অমসুং বেক্টিরিয়াবু কন্ট্রোল তৌরগা থম্বদা চাউরবা মতেং ওই। য়াম্না শাদবা ঈশিংদা বেকিং সোদা থাদদুনা খোঙ অদু মিনিট ১৫ দগী ২০ ফাওবা লুপ্তুনা থম্বিয়ু। অসুম্না নুমীৎ খরনী চাং নাইনা তৌবিরবদি খোঙগী নমথীবা মনম অদু কোকপা ঙমগনি।

**ফিজিগ্রি :**

ঐখোয়না য়ূমদা ঈশিং লুহন্নবা শীজিন্নরিবা ফিজিগ্রি দা এন্টি সেপ্টিককী মগুন য়াওই। মসিনা মরম ওইদুনা বেক্টিরিয়াগী চাং হেনগৎলকপগী চাং নেমথবা ঙমহল্লি। ফিজিগ্রি চামচ অমা লৌরগা য়াম্না চাউদবা ঈশিং কন্নবা মগ অমদা য়ানশিল্লগা খোঙ হামদোপীরবদি নুমীৎ খরনীগী মতুংদা খোঙ নমথীবগী প্রোব্লেম অদু কোকহনবা ঙমগনি।

**লেৱেন্দর থাউ :**

লেৱেন্দর থাউ শুপ্নগী মনম নুংশিবা খক নত্তনা বেক্টিরিয়া হাৎপা ঙম্বগী মগুন লৈ। হায়রিবা থাউ অসিদা এন্টি ফংগল ওইবা মগুনসু য়াওরি মরম অদুনা খোঙ মনম নমথীবা কোকহনবা ঙম্মী। লুম্বু-লুম্বু শাবা ঈশিংদা লেৱেন্দর থাউগী দ্রোপ খরা থাদদুনা ঙাইহাক খোঙ লুপ্তুনা থম্বিয়ু। নুমীৎ অমদা অনীরক অদুম্না তৌবনা কান্নবা শোয়দনা ফংগনি।

**খোঙ লুনা নান্না থম্বা :**

তশেংনা য়াম্না চেকশিনগদবা থবক্তি খোঙউপ তোংদ্রিঙৈ মতমদা খোঙ মোৎপরা নত্রগা মোৎতবরা হান্না য়েংবিবা ফৈ। খোঙউপ তোংদ্রিঙৈ মমাংদা খোঙ শেংনা হামদোকপগী তঙাইফদবা লৈ অমদি খোঙদা উপ্লিবা মোজা তোয়না শু চামথোকপা অমা মথৌ তাই। খোঙ শেংনা হামদোক্তনা অমদি মোজা অমোৎপা তোংবনা খোঙ মনম নমথীহল্লকপগী চাউরবা মরম অমা ওই। মরম অদুনা খোঙ ফজনা হামদোকপা অমদি মোজা তোয়না শুদোক-চামথোকপা মথৌ তাই।









Title: Dog and Girl
By: Deepashree
Class: II Sec: B Roll No. 33
School: S.R.H.S.S




Title: Scenery
By: Taniya Thokchom
Class: III Sec: A Roll No. 01
School: Standard Robarth Hr. Sec. School



Title: Air Balloon
By: T. Panthoi Devi
Class: II Sec: A Roll No. 49
School:




Title: A Parrot
By: Kh. Silvia Devi
Class: III Sec: A Roll No. 17
School:




Title: Mushroom
By: Rally Yambem
Class: III Sec: A Roll No. 34
School: Standard Robarth Hr. Sec. School




Title: Magic
By: Renedy
Class: II Sec: B Roll No. 51
School: Standard Robarth Hr. Sec. School



Title: A House
By: Priyangka
Class: III Sec: A Roll No. 09
School:




Title: A Dog
By: Naoroibam Nganthoilembi
Class: II Sec: B Roll No. 64
School: Standard Robarth Her. Sec. School




Title: Scenery
By: Thokchom Nishita Devi
Class: III Sec: A Roll No. 23
School: S.R.H.S.S



Title: Barbie
By: N. Resma
Class: III Sec: A Roll No. 12
School: Standard Robarth Hr. Sec. School



Title: Scenery
By: Makakmayum Moshil
Class: II Sec. D Roll No. 44
School:



Title: Rabon
By: Lanchenba
Class: II Sec: Roll No. 43
School: Standard Robarth Hr. Sec. School